
# নৌনা মশক নাইরক্লিবী অমেরিকান এক্ট্রেস Camila Mendes

*- নানি -*



মশাগী মশক মুন্না খঙজবা হায়বসি এক্টর অমা ওইবগীদি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। মহাক মশানা চানবা রোল অমা ফংদুনা মীনা খজিক খঙনবা হৌরক্লবসু মানা খঙদবা, হৈগদবা য়াম্না ৱাৎলি, ঐদি করিমত্তা খঙজদ্রিবনি হায়বা ৱাখল অসিনা মাঙদা থম্লগা হোৎনরবদি হেন্না মায় পাক্লবগী মরম ওই। অদু নৎত্রদুনা মীনা খজিক খঙলকপদা ঐদি মশক নাইরবনি, মীনা খঙবীরবনি হায়বা হেক খনবা হৌরকপদগীদি মহাক শোয়দনা মায়থীবগী খোঙফমদা চঙশিনবা হৌরবনি হায়বসি চেৎনা থাজবা থল্লীবী মমিং লৈরক্লিবা এক্ট্রেস Camila না তোয়না হায়বা অমদি মদুগী মতিক চানা থবক তৌজবী মীশক অমা ওইরি।

Camila Mendes কুমজা ১৯৯৪গী জুন ২৯দা য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকাগী ভর্জিনিয়া হায়বা মফম অদুদা পোকখি। মহাক্কী অপোকপা ভিক্টর বিজিনেস এগজিক্যুটিভ অমা ওইনা কম্পেনি অমদা থবক তৌখি অদুগা অপোকপী মমানা ফ্লাইট এটেন্দেন্ট অমনি। মহাক্কী মপাদি ব্রাজিলিয়ননি অদুগা মমানা অমেরিকাননি। অদুনা মহাক্না তোয়না হায়বা অমা লৈ, ঐনা ব্রাজিলদা লৈবা মতমদা ঐ ইশাসি অমেরিকান অমা ওইনা খল্লি। অদুগা অমেরিকাদা লৈবা মতমদনা মহাক অসি ব্রাজিলিয়ন অমা ওইনা ফীল তৌই হায়খি। মহাক পোর্টুগিজ লোন অসি য়াম্না ফ্লুএন্ট ওইনা ঙাঙবসু ঙম্মী। মসিগী খুদোংচাবসু মহাক্কী করিয়রদা য়াম্না ফংবা ঙমখি। কলচর অনী অসিনা য়োমদুনা চাউরকখিবা Camila না হায়, *"I really appreciate how these two cultures created who I am. I am a Brazilian of blood, with all the extended family of Brazilians, but I was born and raised in the United States"*. ৱাফম অসি মহাক্না পিপলস মেগাজিন হায়বা অদুনা লৌবা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী মথক্তা মচে অমা লৈ। অদুবু মমা-মপাগা য়ানদবা খরদগী Camila না চহী ৮ খক্তা ঙাইরিঙৈদা খায়নখি। মমানা মহাক্কী মচেগা লোয়ননা সাউথ অমেরিকাদা লৈখি অদুবু চহী অমদি মহাক ব্রাজিলদা লৈরকখি। Camila গী পুন্সিদি অরেপ্পা মফম লৈতবা অমদগী অমদা হোং-হোংদুনা লৈরকপা নোমেদিক ওইবা লাইফ অমদা হৌরকখিবনি। অদুনা তং-তানা মফম অমত্তদা লৈবা ফংলকখিদে। মসিনসু মহাকপু অনৌ-অনৌবা এক্সপরিএন্স খরদি ফংবা ঙমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। অদুবু মমৈথংদদি মখোয় সাউথ ফ্লোরিদাদা সেট্টল তৌদুনা লৈখি। এক্ট্রেস অসিনা মশাগী চহী ১০শুবা মতমদা ব্রাজিলদা লৈরকখি। মফম অদুদা লৈবা মতমদনি মহাক্কী তুংগী পুন্সিগী ফিরেপ অমা লেপ্লবগী ইথিল অমা ফংবা ঙমখিবা অসি।

কুমজা ২০১৬তা Camila Mendes ন্যু য়োর্ক য়ুনিভর্সিটিগী Tisch School of the Arts হায়বা অদুদগী গ্রেজুয়েসন লোইখি। য়ুনিভর্সিটি অসিমক্তদা মহাক **Stonestreet Film Acting Conservatory course** অমা সেমিষ্টর অনী ফাওবা তম্লকখি। স্কুল অসিদা তম্মীন্নরকপা মমিং লৈরবা শৈশকপা অমা ওইরিবা Maggie Rogers কা লুন্না তিন্নরকখি। মতমদুদা রোজরসতি ঈশৈ ফজনা শকপা মীশক অমা ওইরকখি। অদুগা Camila সু এক্টিং অমদি দান্সিং অসি য়াম্না পামজনা লাকখিবা অমা ওইখি। অমরোমদা মখোয় অনী ৱাখল মান্নবা আর্টকী লন্বী তিন্নবনিনা লুনসু তিন্নরকখি। অদুনা রোজরসকী ম্যুজিক ভিদিও **"Give a Little"** (2018) হায়বা অদুদা মহাক্না দান্সর অমগী রোল লৌদুনা ম্যুজিক ভিদিও অসি পুথোকখি। ভিদিও অসি য়াম্না মমিং চৎপা অমসু ওইবা ঙমখি। লোয়ননা Camila গী মশক তাকখিবা সেরিএল ফিল্ম **Riverdale** হায়বা অসিদা কো-ষ্টার ওইনা কুমিন্নখিবা Cole Sprouse গসু য়ুনিভর্সিটি অসিমক্তদা তমিন্নরকখি। মখোয় লুনা তিন্নবা মরুপ অমা ওইনা লোয়নরকখি। মমৈথংদা **Riverdale** হায়বা অসিদা মখোয় কুমিন্নখি। তশেংবদি Camila এক্টিংগী ইহান হানবা থবক অসি IKEA গী কর্ম্মসিএল এদভর্টিজমেন্ট অমদা শরুক য়ারকপা হৌরকখিবনি। অসুম্না হৌরকখিবা Camila Mendes হৌজিক্তি ফিল্ম খরদা শরুক য়াখ্রে। মহাক্কী ইহান হানবা বিগ স্ক্রীনদা নম্বা ফিচর ফিল্মদি **"The New Romantic" (2018)** হায়বা অসিনি। ফিল্ম অসি মার্চ ২০১৮দা SXSW Festival দা প্রেমিয়র শো উৎখি। নুমিৎ অদুদগী মহাক্কী ফজবা কয়াগী মরমদা ফিল্মগী সর্কলদা হায়নবা হৌরকখিবনি। মসিগী মথংদা **"The Perfect Date" (2019)** হায়বা অসি থোরকখি। ফিল্ম অসি Netflix না কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল ১২দা মালেমশিনবা থুংনা রিলিজ তৌরকখি। **"Coyate Lake" (2019)** অমদি **"Palm Spring" (2020)** অদুগা হৌজিক শুটিং তৌরিবা লোইশিনদ্রিবা অমদি কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা থবক খুদিংমক লেপ্তুনা লৈবনা **"Dangerous Lies" (2020)** হায়বা অসিনি।

মশাগী চহী ২৬ মপুং ফারকপদা ঙাইরিবী য়াম্না নহা ওইরিবী এক্টর Camila, টেলিভিজন সেরিএল ফিল্ম খরদা কুম্বা হৌরকখিবা অদুনা মহাক্কী তুংগী ফিরেপ অমা লেপচবদা অচৌবা মতেং পাংবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা মনা-মথুম অমদি মীংচৎ কয়া ফংবা ঙমখিবসু কেটেগোরি অসিনা ওইরি। কুমজা ২০১৭তগীনা হৌজিক ফাওবদা লেপ্তুনা টেলিকাষ্ট তৌরিবা য়াম্না মমিং লৈবা সেরিএল অমা হায়বা তারবদি **Riverdale** হায়রিবা অসিনি। টেলিভিজন ফিল্ম অসিদা মহাক ম্যেন রোল Veronica Lodge হায়বা অসিদা কুপ্লি। অতোপ্পা খরদি কুমজা ২০২০গী অঙনবা মতমদগী রিলিজ তৌরকখিবা **Day by Day** হায়রিবা অসিগী ইপিসোদ **Falling Rain** হায়বা অসিনি। ৱেবসেরিজ ওইনা হৌজিক উৎলিবনা **Celebrity Substitute** অমদি **Dear Class of 2020** হায়বা অসিদনি। সেরিজ অনীমক অসিদা মহাক ম্যেন রোল লৌরিবনি। Camila গী মীংচৎ পুরকখিবা অমদি মনা ফংখিবসু Riverdale হায়রিবা অসিদনি। টীন চোইস এৱার্দ **Riverdale** হায়রিবা অসিদা ফংবা ঙমখি। লোয়ননা মসিমক্তদা অতোপ্পা কেটেগোরিগী মনা MTV Movie & TV Award, People Choice Award কীসু নোমিনেসন ফংবা ঙমখি।

Camila Mendes কী ইতোপ-তোপ্পা অমা হায়বা তারবদি মহাক্কী সেরিয়সনেস অসিনি। মসিমক্না নৌনা হৌরক্লিবা অমা ওইরবসু হোল্লিৱুদ ফিল্মগী ক্রিটিকশিং অমদি ফিল্ম দাইরেক্টরশিংনা মহাক্কী মমিং তোয়না পন্নদুনা মহাক্কী সেরিয়সনেস অসিবু শিংথারি অমদি মহাক্কী থোইদোকপা এক্টিংগী রেটিং অসিনা তুংদা য়াম্না মায় পাকপা এক্টর অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মরি।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০৭।২০২০ ইং, নোংমাইজিং;
ইঙেলগী ২৯ নি পানবা।

**মেষ :** পাউ নুংঙাইবা তাগনি, য়েৎনরম্বা কোকচগনি, অঙম্বনা চানবীগনি অমদি লল্লোন-ঈতিক্তা কান্নবা ফংজগনি। লাইবক ফৈ। অনৌবা থৌরম পাংহৌরো।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং

**বৃষ :** মীয়াম্না য়াবা, মীকোক থোংবা, মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াবা অমদি লৈঙাক্কী লম্‌দা মায় পাকচগদবা নুমিৎনি। হুরানবনা নরলদা তাথিবা লৈগনি-পংথগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** হরাওবা নুংঙাইবা, লেংদবা লন চাওখৎপগী হেন্না পূক্লিং পেনবা লৈগনি। থাজদনা নক্লবনা তাথীগনি-চেকশিল্লু। থৌনা লৈনা পাংবা থবক্তি মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** অয়েৎপা হান্নগুম চেনগনি, খৎনবা য়াবা থবক্তা য়াওরুনু অমদি হায়জ-নোঞ্জবগী কান্নবদি ফংজগনি। অনীংবা থবক পাংগনি নচা-ননাই ফংগনি। খাংবা কল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** নঙগী ওইবা মী লোয়নবা কান্নগনি, অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি অমদি নুংঙাইজবা ফংগনি। থাজদনা পাউ নুংঙাইবা অমদি শেল-থুমগী লম্‌দা ওইজ -ওইথক ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**কন্যা :** লুচিংবা ওইবা, ইচং থৌবগী মায় পাকচবা অমদি হনবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিনবদা কনানসু লাকচবা ঙমলোইদবা নুমিৎনি। মীয়াম্না চানবীগনি, লন চংই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** পাঙ্গল-থৌনা ফুদোকপগী কান্নবা ঙসিসু লৈগনি, ইমুং-মনুং লোয়নবা কান্নগনি অমদি লন চংই। অদুবু অঙম্বগা মুক্লবা অমদি পোরম য়াৎপা হৈতবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** মরুপ অমদি মীংচৎ ফংগনি। থিবা হুম্বগী কান্নবা ফংগনি, লেংদবা লন ফংবৈ নুংঙাইজবা অমদি লৌশিং চাউবা নুমিৎনি। লাইবক ফবদি ৱাৎকনি-চরাংগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** লাইবক ফবা, নীংবা চাউনা থুংবা অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা য়াবা নুমিৎনি। অদুবু মীতোপ্পা ইমুংদা মাঙহনবা অমদি অনম তানবনা পামদবা নংবা য়াবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** নীংজবা থুংগনি, লাইবক ফগনি, থৌনা ফবনা অফবা মফম ফংজগনি। পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবদি য়াদে-মতম লৌবা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।


**কুম্বা :** অয়াম্বা থবক্তা তহা-তহাগনু অমদি য়েৎকনু। খাংবা কনবা অমদি ৱাঙাঙ চেকশিনবনা মাঙগদবা কয়াদগী কঞ্জগনি। অচুম্বনা মায় পাক্কনি, হোয়া ফবা মতাং চাদে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম ঙাইবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন :** অয়েৎ অপন কোকচবা অমদি শেল ফংবা নুমিৎনি। অফা অপুন কোকচগনি অমদি য়েৎনবদা মায় পাক্কনি। হকচাং নুংঙাইবদি ৱাৎকনি, মরুপ-মপাং কাইননি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীতোপ্পা তাথি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




Title: Jack, be Nimble
By: Maibam Dony
Class: III Sec: A Roll No. 31
School: HKMES Langmeidong



Title: Lion
By: Trishil Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 3
School: SL Arena of Learning




Title: A Mango
By: Gaichui Kamei
Class: I Sec: Ruby Roll No. 30
School: Kids' Foundation




Title: A Girl
By: Trishini Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 4
School: SL Arena of Learning




Title: A Girl
By: Paikhomba Huidrom
Class: III Sec: Roll No. 01
School: Uchiwa High School (Aided)



Title: Areus
By: Great Thoudam
Class: III Sec: B Roll No. 128
School: Regular English High School




Title: The Clock
By: Hilenbi Langpoklakpam
Class: II Sec: A Roll No. 45
School: Regular English High School




Title: Life of Fish
By: Leimapokpam Jashika
Class: K.G. Sec: H Roll No. 11
School: Shining Byrne Academy, Laipham Khunou




Title: Landscape
By: Malemnganba Sagolsem
Class: I Sec: Ruby Roll No. 17
School: Kid's Foundation



Title: Energy Conservation
By: Oinam Sanayaibi Chanu
Class: VIII Sec: Emerald Roll No. 34
School: Heritage Convent School



Title: A Dolphin
By: Jeshita Khuman
Class: II Sec: B Roll No. 34
School: Kendriya Vidyalaya No. 2



Title: Reyquaza EX
By: Laikhuram Yaiphaba
Class: IV Sec: A Roll No.: 44
School: Sacred Heart Higher Sec. School